# নেরোকানা চর্চিল ব্রদরস থোইনবগী লাল্লোং শেম্বা লোইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী হয়েং ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্কী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু ওইরিবা নরোকা এফ সীনা গোৱাগী চর্চিল ব্রদরসপু মায়থীবা পীনবা লাল্লোং শিনবা লোইখ্রে।

ঙসি টিম অনীগী কোচ অমসুং মেনেজরশিংগী উনবা প্রেস কনফরেন্স অমদা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা চর্চিল ব্রদরসকী কোচ পেত্রে গীগ্যুনা ফোঙদোকখিবদা নেরোকা এফ সীগী টিম অসি মমাঙগী আই লীগতা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখিবা টিম অমা ওইবনা মখোয়গা লম্বা তৌবদা তরাই তরাই লৌবা য়াদে। মহাক্কী টিম্না চথরিবা ২০১৮-১৯গী আই লীগকী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরবসু নেরোকা এফ সীগী হোম গ্রাউন্দদা শান্নবা মরম্না চেকশিন্দবা য়াদে হায়খি।

নাকল অমরোমদা য়ূম্বু টিম নেরোকা এফ সী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা থাক্তা লৈরিবনি। টিম অসিগী কোচ মেন্যুএল রিটামেরো ফ্রাইলনা ফোঙদোকখিবদা চর্চিল ব্রদরসকী টিম অসিগা অহানবা ওইনা শান্নগদবা অসিদা মায় পাক্নবা লাল্লোং য়াৎপা লোইখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

### মাপনশুবা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# এম পি এস সীনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) মায়থীবা পীখ্রে, ঈ এস য়ু অমদি ক্রিপসা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৯শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ত্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এম পি এস সীনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ঈ এস য়ু অমদি ক্রিপসা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ৪না শরুক য়াদুনা দবল লীগ বেসিসতা পাঙথোকপা ৯শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ত্রোফি ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৯.২০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) অমসুং এম পি এস সী লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু টিম অনীনা হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা ফজনা বোল শান্নখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ১২শুবা মিনটতা এম পি এস সীগী জর্সি নম্বর ১০ এন জি বালানা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। বালানা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু এম পি এস সীনা অঙনবা মতমদা গোল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) গী মায়কৈদগীসু এম পি এস সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা অমুক এম পি এস সীগী মায়কৈদগী এন জি বালানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

এম পি এস সীগী গোল অনী মাঙজিল থানা চৎলবসু ৱাই দব্লিয়ু সী এলগী শান্নরোয়শিংনা গোলশিং অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাঙুম য়াঙনা শান্নরকপা উখি। অদুবু এম পি এস সীগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৱাই দব্লিয়ু সী এলনা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী এম পি এস সীনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী এম পি এস সীনা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোল ২ অদু হন্দোক্নবা ৱাই দব্লিয়ু সী এলগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেচকী ৭৬শুবা মিনটতা এম পি এস সীগী জর্সি নম্বর ১১ এ রোজানা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এম পি এস সীনা ৱাই দব্লিয়ু সী এলবু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।



ফুটবোল লীগ অসিগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) অমসুং ক্রিপসাগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবগী লোইবা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ওন্থোক্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু গোল ০-০দা দ্রো চৎখি।

### ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭-১৮

# ৱাই পি ঐচ য়ুনা নাকোবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা মমাঙ চহীদগী হৌদুনা মপান কাংজেবুং অমসুং খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭-১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা ৱাই পি ঐচ য়ুনা নাকোবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭-১৮গী ৫৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদা ৱাই পি ঐচ য়ু অমসুং নাকো লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা হৌবদগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চখনরবসু গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু গোল ০-০দা লৈনখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীৎকুপ মেচকী ৪১শুবা মিনটতা নাকোগী জর্সি নম্বর ১১ এম দি রোহিট হুসেন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু নাকোনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। ৱাই পি ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকোগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।



অনীশুবা হাফকী ৭৮ অমদি ৮৮শুবা মিনটতা ৱাই পি ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী এম জিমি অমদি কে ঐচ হেরোজিৎনা গোল ২ মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু নাকোনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা নাকোনা ৱাই পি ঐচ য়ুবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

# ষ্টেট লেভেল ফুটবোল ত্রায়ল সেলেক্সন ২০১৮ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুর ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম এস ও এ) না শীন্দুনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১০দগী ১৪ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপনা মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মঙাশুবা নেসনল ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক গেমস ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী ফুটবোল টিম শেম্নবগী নুমিৎ হুমনি চখগদবা ষ্টেট লেভেল ফুটবোল ত্রায়ল সেলেক্সন ২০১৮ ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়গী এস সী কেগী শান্নবুংদা হৌদোকখ্রে।



ফুটবোল ত্রায়ল সেলেক্সন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ১১-কোদোম্পোকপী জিলা পরিষদকী হান্নগী জিলা পরিষদ মেম্বর লোইতোংবম সুরচন্দ্র, মণিপুর ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম এস ও এ) গী চ্যেরমেনসু ওইরিবা হান্নগী দেপ্যুটি স্পিকর এম এল এ এম কে প্রেসো সিমরে, এম এস ও এগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর এন সন্তোস মঙাঙ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর ওইবদা নত্তুনা এম এস ও এগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ডা. এম চৌরজিৎ, কোদোম্পোকপী গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান থোকচোম নন্দকুমার, কোদোম্পোকপী গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর য়ুম্লাম সরতচন্দ্র মৈতৈ অমসুং কোঞ্জেংবম কমলানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক কয়াখি।

থৌরম অসিদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা প্রেসো সিমরেনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক এসোসিএসন অসি নৌরিবা ওর্গেনাইজেসন অমনি। মসিগী নেসনল বোদি ওইরিবা ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদা নেসনল গেমস তৌনবগী অয়াবা পীবিরকপা অসি য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি হায়খি।

ত্রায়ল সেলেক্সন অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ারি। মখোয়গী মরক্তগী য়ু-১২, য়ু-১৪, য়ু-১৭, য়ু-১৯, য়ু-২২ অমদি য়ু-২৫গী টিম অমমম শেমগনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা খনগৎলগা শান্নরোয়শিংগী ওইবা অখন্নবা কোচিং কেম্প অমসু পাঙথোক্তুনা লাক্কদৌরিবা ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক নেসনল গেমসতা ফুটবোল মশান্নগী ওইবা মণিপুর টিম শেমদুনা শরুক য়াগনি। মখোয়বু তাকপী তম্বীগদৌরিবশিংসু খনগনি।

# দিনেসনা জুনিয়র মিষ্টর ৱর্ল্ডগী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস)ঃ থাইলেন্দগী চিয়াংমেদা থা অসিগী ১১দগী ১৭ ফাওবা চখগদৌরিবা ১০শুবা দব্লিয়ু বি পি এফ ৱর্ল্ড বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী এল দিনেসনা জুনিয়র মিষ্টর ৱর্ল্ডগী টাইটল অমুক হন্না লৌবা ঙমখ্রে।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী শাফবশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১০শুবা দব্লিয়ু বি পি এফ ৱর্ল্ড বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী বোদিবিল্ডিং টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী শাফবা এল দিনেসনা কেজি ৭০ মখাগী জুনিয়র কেটেগোরিদা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, জুনিয়র মিষ্টর ৱর্ল্ডগী টাইটল লৌখ্রবা এল দিনেস মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৯শুবা দব্লিয়ু বি পি এফ ৱর্ল্ড বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তসু জুনিয়র মিষ্টর ৱর্ল্ডগী টাইটল লৌখ্রবা মণিপুরগী শাফবনি।

### ২৫শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# নীনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড তরুক লৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস)ঃ কর্ণাটকা থাঙ-তা এসোসিএসনগা ভারত ভিকাস শঙ্গম শ্রী সিদেসৱারা সামষ্ঠে, বিজয়াপুর বাসাভেসৱারা ভীরাশাইভা বিদ্যাভরধকাগা পুন্না খূৎশম্নরগা শীন্দুনা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা কর্ণাটকাগী বিজয়পুরদা লৈবা অশ্বারিয়া নগরগী রানিচন্নম্মা মঙ্গল কারিয়ালেদা ঙরাংদগী হৌদুনা থা অসিগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়ননশিপ ২০১৮দা মণিপুরী থাঙ-তা টিমনা নীনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা গোল্ড মেদল ৬ লৌবা ঙমখ্রে।




লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২০গী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ৫৩১না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ২৫শুবা নেসনল থাঙতা চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রানি চান্নম্মা কম্যুনিতি ভবনগী সেক্রেটরি ডা. সুরেস বিরদা, ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি ভিনোদ শর্ম্মা, ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী মেম্বর সী ঐচ লোইদাং লৈমা, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চ্যেরমেন টি ঐচ প্রিয়োকুমার, কর্ণাটকা থাঙ-তা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি বসাবরাজ বগেৱাদি, ইন্দিয়া ভিকাস সঙ্গমমাগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সজনগী ষ্টেট কোওর্দিনেটর জি সনগুনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

নুপাগী সব জুনিয়রগী ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ২১ মখাগী কেটেগোরিদা আই অবুংঙো, কেজি ২৯ মখাগী কেটেগোরিদা অনেস লৌরেম্বম, কেজি ৪৫ মখাগী কেটেগোরিদা টি কৃষ্ণচন্দ্র, কেজি ৪৯ মখাগী কেটেগোরিদা এল বিসাল শর্ম্মা, কেজি ৫৩ মখাগী কেটেগোরিদা রিমেক্স খুরাইজম অমদি কেজি ৫৩ মথক্কী কেটেগোরিদা গোপাল রায়নি।

### ১৬শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯

# নপসা খা ইম্ফালনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেল অমদি চেম্প খাগেম্পল্লিনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমদি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৬শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা নপসা খা ইম্ফালনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেল অমদি চেম্প খাগেম্পল্লিনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৬শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ বিগী চেম্প খাগেম্পল্লি অমসুং মোদেল ক্লব চীংঙামখা লম্বা তৌনখি।



মেচ অদু চেম্প খাগেম্পল্লিনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্পনা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮০ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্পকী গুলসোনন্দোনা বোল ৫৫দা রন ৫৮, ইবোবীনা বোল ৬৭তা রন ৫২, জোদিবনা বোল ১১দা রন ১৬ অমদি রজিবনা বোল ১৭তা রন ১৫ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী সরতচন্দ্রনা ৱিকেট ৪ অমদি সিকন্দরনা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লবনা ওভর ২৯.৫দা ৱিকেট লোইনা তুরগা শুপ্নতগী রন ১৩৭ লৌদুনা মেচ অদু চেম্প খাগেম্পল্লিনা রন ৪৩দা মায় পাকখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী সুরেসনা বোল ২৬তা রন ২৮, প্রিয়োবত্তনা বোল ৩১দা রন ২৭ অমদি দেমিন্না বোল ১৯দা রন ১৭ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা চেম্পকী হোমেশ্বর অমদি রতননা ৱিকেট ৩/৩ অমসুং প্রেমানন্দনা ৱিকেট ২ লৌখি। মেচ অদুদা চেম্পকী গোলসোনন্দনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী নপসা অমসুং দি এস য়ু শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দি এস য়ুনা ওভর ২৩.৩দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৪৪ লৌখি। অমদি অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নপসানা ওভর ১৬.২দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৮৫ লৌদুনা নপসানা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি। মেচ অদুদা নপসাগী সোমোরেন্দ্রোনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

## এন চন্দ্রমনিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিএসন (এ এম জি এ) গী লাইফ মেম্বরসু ওইরম্বদা নত্তুনা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা নোংথোম্বম চন্দ্রমনিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিএসন্না থা অসিগী ১০দা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা এসোসিএসন অসিগী কোচ, জিম্নাষ্ট অমদি শান্নরোয়শিংগী পেরেন্টশিং অমসুং প্রসিদেন্ট ডা. এস শান্তিকুমার য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফমদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।



HL-B/4987/15nov. to 13jan (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com